অনৌবা কেস ৬৯ হেনগৎলকপদগী নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস ২৮০ য়ৌরে

গুৱাহাতি, জুন ২২ (এজেন্সি):

নাগালেন্দদা ঙসি কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৬৯ হেনগৎলকপগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপূনবা কেস মশীং ২৮০ য়ৌরে। নোংমাইজিং নুমিৎতা সেম্পল ২৭৫ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা পোজিটিভ ওইবা কেস ৬৯ থেংনখি।

হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর এস পি ফোমনা হায়খি, নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা পেরেন দিষ্ট্রিক্টতগী ৬৫, দিমাপুরদগী ৩ অমসুং জুনহেবোটোদগী ১ য়াওরি।

হৌজিক ফাওবদা এক্টিভ কে ১৩৯ লৈরি। অনাবা মীওই ১৪১দি লায়েংবদগী ফগৎলক্তুনা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। মীওই অমত্তা শিবা য়াওদ্রি।

অমরোমদা, অসামগী ওইনা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং ২ হেনগৎলকপগা লোয়ননা শিখিবা মীওই পূন্না ১১শুরে। ষ্টেট অসিদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা মওংদা ঙরাং কামরুপ (মেট্রো) দিষ্ট্রিক্টতা অনৌবা কেস মশীং ৭৩ হেনগৎলকখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ৪০০ হেনখ্রে।

মফম কয়াদা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মওংদা অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলকপদগী ষ্টেট লৈঙাক্না পান্দু, ফেন্সি বজার অমদি সরভটি য়াওনা হোটস্পোট মঙা খঙদোকপা ঙমখ্রে। গুৱাহাটি সিটিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোক্তুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, অরুনাচল প্রদেশকী ওইনদি কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট মরি ফীভম ফগৎলকপদগী নেগেটিভ ওইদুনা হোস্পিটাদলগী দিসচার্জ তৌখ্রে। নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওই মরিগী মনুংদা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর অনী অমসুং মপান্দগী হল্লকখিবা মীওই অনী য়াওরি।

হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি ডোক্তর, নর্স অমসুং ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা অতৈ মীওইশিংনা চোকথবা নাইদনা মথৌ পাঙথোকপা মরম্না অনাবা মীওইশিং ফীভম ফগৎলকপনি।

মিজোরামদা য়ুহা হাবদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে

আইজোল, জুন ২২ (এজেন্সি) :

মিজোরামদা ঙসি অয়ূক অঙনবদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমদা য়ূম কয়া অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা লম্বী চেকখায়রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটকী জিওলোজি এন্দ মিনরেল রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি, রিক্টর স্কেলদা ৫.৩গী চাংদা অকনবা য়ুহা হাবগী থৌদোক থোকখ্রবসু মীশি-মীনা য়াওখিদে। নেসনল সেন্টর ফোর সিসমোলোজিগী রিপোর্ট পল্লদুনা ওফিসল অদুনা হায়খি মদুদি অয়ূক পুং ৪.১০ তাবদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুগী ইপি সেন্টর চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী জোখোথারদা ওইখি।

অসামদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লগদৌরে

গুৱাহাটি, জুন ২২ (এজেন্সি) :

মকোক থোংবা অসামগী সিব সাগর দিষ্ট্রিক্টতা তুরেল অয়াম্বা ঈমাই পাথোরকপা য়াবগী ফীভম লাকপগা লোয়ননা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লগদৌরে।

রিপোর্ট অমনা হায়, মফম খরদা দিখো তুরেলগী ঈমাই খুদোংথিনীংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ৱাংখৎলকপদগী মনাক নক্লা লৈরিবা খুঞ্জাশিং শাফগদবা মফমদা হোংদোক্লখ্রে। মফম খরদদি তুরেলদগী ঈশিং পাথোরক্তুনা মহৈ-মরোং থারিবা লৌফম একর কয়ামরুম ঈশিং থুমজিনখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অকনবা মওংদা নোং চুরকখিবা মরম্না অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকখিবনি।

জুন ৩০ ফাওবা লোকদাউন শাংদোকখ্রে

আইজোল, জুন ২২ (এজেন্সি): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা আইজোল ম্যুনিসিপাল এরিয়া, অতৈ দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিং অমসুং কন্টেনমেন্ট জোন পূম্নমক্তা জুন ৩০ ফাওবা লোকদাউনগী মতম শাংদোকখ্রে। হৌজিক চথরিবা লোকদাউনগী মতম ঙসি লোইগদবনি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়খি মদুদি অখন্নবা মফম খরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলকপা থেংনবদগী তঙাইফদনা জুন ৩০ ফাওবা লোকদাউনগী মতম শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ইন্টরনেসনল অমদি ইন্টর ষ্টেট বোর্দর পূম্নমক জুন ৩০ ফাওবা থিংজিনখিগনি। অদুম ওইনমক ইন্টর ষ্টেট বোর্দরগী এন্ট্রি পোইন্ট অহুমখক হাংদোক্তুনা পোৎ চৈ পুশিল্লকপা গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনগনি।

ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টকী অয়াবা য়াওদ্রবদি কনাগুম্বা মপানগী মীওই অমত্তা চঙলক্লবগী অয়াবা পীরোই। ইন্টরনেসনল অমদি ইন্টরনেসনল বোর্দর পূম্নমক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই চঙলকপা ঙমহন্দনবা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়নসু ষ্টেট লৈঙাক্কী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি। দুকানশিং থোঙ হাংহনবগী মতাংদা লৈঙাক্কী ওর্দরনা হায়খি মদুদি তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং, পোৎলমশিং য়োনবা দুকান, ফার্মাসি অমসুং ক্লিনিকশিং নত্তনা মখল অমত্তগী দুকান থোঙ হাংবা য়াররোই। ষ্টেটকী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদদি মহৌশাগী মতৌগুম দুকান পূম্নমক থোঙ হাংনবগী অয়াবা পীখ্রে।

শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা টেলরিং, ৱিভিং, কার্পেন্টরি অমদি বেকরিনচিংবা স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রিশিং মথৌ তৌবা য়াহনগদৌরি। মখা তাবা লৈঙাক্কী ওর্দর অমা থোক্লিবফাওবদি মহৈ তম্ফম লোইশঙ, এন্টরটেনমেন্ট পার্ক, পিকনিক স্পোট, থিএটর, জিম্নাজিয়ম অমদি স্পানচিংবশিং থোঙ হাংনবগী অয়াবা পীরোই হায়রি। লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা মফমশিংসু থোঙ হাংনবগী অয়াবা পীরোই।

চৈরকসিদা, চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাঙ্গানা হায়খি মদুদি মিজোরামদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কম্যুনিতি ট্রান্সমিসনগী থাক্তা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী খুদম থেংনদ্রি।

ষ্টেটকী পাউ

মৈ চাং নাইনা থারক্তবনা ওন্ট্রপ্রেনর ৩০০মুক খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) :

মৈ চাং নাইনা লাক্তবনা নাওরেমথোং খুমন্থেম লৈকায়গী অকোয়বদা লৈবা চাউরাক্লা ওন্ট্রপ্রেনর ৩০০মুক্লা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না মণিপুর ইন্দষ্ট্রিজ য়ুনিয়ননা শিন্দুনা ঙসি নাওরেমথোং খুমন্থেম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট চিংতম লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, আইরন ফেব্রিকেসন য়ুনিট, ৱার্কশোপ, উহৈ-ৱাহৈ য়োনবা অমদি থক্লনবা অইংবা শুংবা ইন্দষ্ট্রি মচা-মচাশিংদা তঙাইফদনা শীজিন্নরিবা রিফ্রিজেরেটরশিংদা ইলেক্ট্রিসিটিগী মথৌ তারিবনি। অদুবু মায়কৈ অসোমদা মৈ চাং নাইনা লাক্তবনা হায়রিবা অপিক-অপিকপা ইন্দষ্ট্রিজশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মায়কৈ অসিদা লৈরিবা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসরশিংদা কয়ারক হন্না ৱাকৎলবসু ঙসি ফাওবদা থৌওইদনা লৈবা অসি তশেংনা পেন্দবা ফাওই। মরী লৈনবা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা মৈ চাং নাইনা থারক্তবনা অপিকপা ইন্দষ্ট্রিজদা পুথোক্লিবা পোৎথোকশিং মতম চানা কষ্টমরশিংদা পীবা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা লমদম অসিগী স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ চাওখৎনবা হায়রবসু মতৌ করম্না চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মরম অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অমদি লৈঙাক্লা য়েংশিনবিয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন অসিগী এগজ ক্যুটিভ মেম্বর রোসন অসেমনা ফোঙদোকখিবদা জুন ১৮দগী ঙসি ফাওবসু মৈ থাবিরকপা হায়বদু ওইদ্রি। ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা চৎতুনা হংলুবদসু শুপ্নগী মিনিট ২০ ইমরজেন্সি সটদাউন তৌবনি হায়না য়াম্না লায়না খুন্নকখি। অসিগুম্বা মীয়াম্না ৱাকৎ কয়া তৌরবসু নেগলেক্ট তৌবগী থৌওং পেন্দে। নোংবু খজিক চুরবদি মৈ মুৎপা অসিনা মরম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা শিনফম কয়াদা থৱায় য়াওনা হোৎনজরিবা লমদম অসিগী নহারোলশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিদুনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসিবু কোক্লনবা হোৎনবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২: আই আর বি ১৯৯৪ বেটচৱাটসএপ গ্রুপকী মেম্বর ওইরম্বা ইরোইশেম্বা মনিং লৈকাইদা লৈবা হৈস্নাম সুরজ্যকুমার এলিয়স রাজু অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ খন্বা থা অসিগী ১৪দা খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা নুংশিরবা ইমুং-মনুং অমদি মরূপ-মপাংশিং থাদোক্তুনা লৈখিদ্রে।

মহাক্লা মনুং-মতম চাদনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা মহাকপু ইকায় খুম্নবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা গ্রুপ অসিনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা মহাক্কী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদা মতেং ওইনবা হায়দুনা আই আর বি ১৯৯৪ বেটচৱাটসএপ গ্রুপকী মেম্বরশিংনা অঙম্বা শেল পুথোক্লদুনা লুপা ২০,০০০ মতেং পাংখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এস ওজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল কম্মান্দোনা হিদাক মনাগী পোৎলম য়াওনা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল কম্মান্দোনা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৫০ রোম তাবদা ৱাংজিং কৈথেল এরিয়াদা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা নুপা অমা য়াম্লবা ময়াই কাবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিংগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, থৌবাল কম্মান্দোনা ফারবা নুপা অদুগী মমিং ফুন্দ্রেময়ুম জিঅউর রহমন (৩৩), অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ কয়ামুদ্দিন কৌই। মহাক কৈবুং মখা সনাসিবী লৈরক্তা লৈবনি। মঙোন্দগী ফারবা পোৎলমশিং অদুদি, সিগনেল ৩৫০গী গ্রাম ৫০, পিসনা ১৭, সিগনেল ৩৫০গী গ্রাম ১০ পিসনা ১০, বাবা ১২০গী গ্রাম ৫০, পিসনা ১৪, বাবা ১২০গী গ্রাম ১০ পিসনা ৯নি। ক্বা মনা ৬৫০ রোম য়াওনা ফাগৎখি।

মঙোন্দগী ফাগৎলবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু য়াওনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

য়ু শুংলম্বা মীওই ৪ ফাগৎলে

ককচীং, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী এ কে প্রেমজিৎনা লুচিংবা পুলিসকী কাঙবু অমনা ককচীং তুরেল ৱাংমা, থোংলানগী মফমশিংদা য়ু ফাগৎপগী দ্রাইভ অমা চথদুনা য়ু শুংলম্বা মীওই ৪ অমদি য়ু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং ফাগৎলে হায়রি।

লোকদাউন থুগায়বা মীওই ৬৩৬ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু চথরিঙৈদা লম্বী থোরকপদা মাস্ক উপ্তুবা অমদি মীয়াম মরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই ৬৩৬ অমদি গাড়ী ৪৪৫ য়াওনা ফাগৎলগা দিটেন তৌখ্রে।

মণিপুর পুলিসনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎলবা মীওই ৬৩৬ অমদি গাড়ী ৪৪৫ য়াওনা মখোয়বু দিটেন তৌরবা মতুংদা ফাইন ওইনা লুপা ৭৪,০৫০ রোম খোমগৎখ্রে। লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা থোরকপা মীওইশিং নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা অকনবা এক্স ন লৌখৎকনি হায়না পুলিসনা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

মাস্ক ৪০০০ হেন্না য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ঙসি ঈকল অভিয়ান, মণিপুর ভাগকী তেংবাংগা লোয়ননা ঈকল প্রমোঠন ফাউন্দেসননা ফাইট এগেনষ্ট কোভিদ-১৯ হায়বা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মাস্ক ৪০০০ হেন্না য়েন্থোকখ্রে হায়রি। থৌরম অসি ইম্ফালগী কোংবা রোদকী বামোন লৈকাইদা পাঙথোকখিবনি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিককী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিগা ইরোয়ননা লৈবাক নীংবা অমসুং লাইশোন ঈশৈশিংগী ওদিও কেসেট অনীসু রিলিজ তৌখি হায়রি। থৌরম অসিবু শীনখিবা অমসুং শরুক য়াখিবশিংনা মখা তানা কোভিদ-১৯ থেংননবগী থবকশিং পাঙথোকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

নিংথৌগী মথক্তা থমখিবা ৱাফমশিং হন্দোক্লগনি : কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ)

ইম্ফাল, জুন ২২: কংলৈপাক (মণিপুর) খুন্নাই অসিগী অমত্তা ঙাইরবা নিংথৌ ফম্বাল ফন্নিবা নিংথৌ সনাজাওবগী মথক্তা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিভ)না মখল-মখা কয়াগী থমখিবা ৱাফম পুন্নমকপু ইনিংথৌগী অশেংবা থম্মোয়গী ওইবা নুংগী ৱাখল্লোন কয়াশিংবু কম্যুনিষ্ট এদভাইজরি কম্মিটিনা কুপ্না নৈনরবা তুংদা কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ)কী ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা ৱাফম পুন্নমক হন্দোকপগী ফিরেপ লৌরে হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা কে সী পি-এম সী প্রোগ্রেটিভকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোন্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ)না মমাংথক্তা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী মথক্তা থমখিবা ৱাফম অসি নিংথৌ ফম্বাল ফম্না-ফম্না রাজ্য সভাগী মীরেপ ওইবীগনু, করিগুম্বা রাজ্য সভাগী মীরেপ ওইগে হায়রবদি কংলৈ নিংথৌ খূভম থাদোক্তুনা চৎপীয়ু হায়জখিবনি। লৈবাক মীয়ামগী ওর্গনাইজেসন খরনসু ৱাফম অসিদা পূক্নিং চঙবীদুনা নিংথৌগী মনাকোং য়ৌনবা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থল্লকখি।

ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা রাজ্য সভাগী মীখলদা নিংথৌ ফম্বাল ফম্না-ফম্না ভোট কাখি। অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা পুৱারীগী অনৌবা লাতম অমা অদুম্মক মীয়াম মাংদা ফোঙনা শেমখি। নাকপাক তানবা হায়বসি খুন্নাইগী মাংনবগী মশক্নি। হৌজিক্তি কংলৈপাক (মণিপুর) অসি পূম্নৌ নৌবা য়াইফবা 'ন্যু কংলৈপাক (মণিপুর) নেসন' অমা ওইনবগীদমক মীয়াম পূন্না অফবা ৱাখল্লোনদা কোক চুংশিন্নদুনা লমদম অসিদা অশেংবা মীহুৎ লৈহল্লসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) :

মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈবনা মরম ওইরগা লাইগী তঙাইফদবা থবক নত্তনা রথ যাত্রাগী থৌরম পাঙথোক্লরোই হায়না ওল মণিপুর ধর্ম্ম রক্ষা সমিতিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এস ঐচ সনাতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, রথ যাত্রানা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরি। জুন ২৩ অসিদা মফম কয়াদা মহৌশাগুম রথ যাত্রা থৌরম পাঙথোক্কদবনি। অদুবু মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা লাইগী তঙাইফদবা খক নত্তনা রথ যাত্রা পাঙথোক্ল রোই। নুমীৎ অসিনা মণিপুরদা নুংঙাই-য়াইফবা পুরকপা ওইনসু হায়নসু মখা তারি।

CROSSWORD-3482



ACROSS

1 European mountain range (4)
3 Gravestone inscriptions (8)
9 Island birthplace of Napoleon (7)
10 Stand-offish (5)
11 Lax (5)
12 Soldier in the Royal Engineers (6)
14 Slice of bacon (6)
16 Wander (6)
19 Deliver a sermon (6)
21 Guile (5)
24 Colour of military uniforms (5)
25 Latter part of the day (7)
26 Catastrophe (8)
27 Tight-fisted (4)

DOWN

1 Lineage (8)
2 Hooded jacket (5)
4 Extol (6)
5 Vagrant (5)
6 Adage (7)
7 Easily yielding to pressure (4)
8 Food preserved in vinegar or brine (6)
13 Five-sided shape (8)
15 Airless (anag) (7)
17 Bowman (6)
18 Stilton, for example (6)
20 First sign of the zodiac (5)
22 Wonderland girl (5)
23 Slide out of control (4)

Solution 3481

S	O	P	R	A	N	O		A	D	O	R	N
A		L		R		R		S		A		O
N	E	E	D	S		D	E	C	O	R	U	M
D		A		E		E		O		S		A
A	N	T	E	N	N	A		T	I	M	I	D
L				A		L				A		
S	I	M	I	L	E		C	L	I	N	I	C
		E				S		E				U
T	E	D	D	Y		N	E	A	R	E	S	T
H		D		A		E		R		R		L
E	N	L	A	R	G	E		N	U	R	S	E
F		E		N		Z		E		O		R
T	A	R	N	S		E	L	D	E	R	L	Y

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3281

		2	1		3	9		4
		4			7	6	2	
			9				7	
	5				6	2		
	6						4	
		3	8				9	
	4				5			
	1	6	2			4		
3		5	4		1	8		

Solution-3280

9	1	6	5	7	3	4	8	2
5	8	4	1	9	2	3	7	6
3	2	7	8	4	6	5	9	1
8	4	1	3	2	9	6	5	7
6	5	2	7	8	1	9	3	4
7	3	9	4	6	5	2	1	8
4	9	5	6	1	8	7	2	3
1	6	3	2	5	7	8	4	9
2	7	8	9	3	4	1	6	5

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

কোভিদ-১৯গী ৱানরিঙৈ চৈরকসিদা লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনবা মতম চাদে : এম দি এ

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম অৱাবা ফীভমদা লৈরিবা চৈরকসিদা লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনবা মতম চাদে হায়না মণিপুর দেমক্রেটিক এল্লাইয়ন্স (এম দি এ)গী কনভিনর এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা এম তোম্বীনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি অচৌবা ইস্যু অমা ওইনা লৈরি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা লমদমসিদা লৈরিবা সী এস ও ময়াম, লৈঙাক অমদি মীয়াম্না কন্না হোৎনরি। লোকদাউন তৌদুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অসিদা হৌজিক মীয়াম্না অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লরিবনি। চান-থক্লবা পোৎলমগী হোৎনবদা অৱাবা থেংনবা কয়া অমসু লৈরিবনি। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনবা মতম চাদে। মায়কৈ অনীগী খোঙফম হন্দোক্লদুনা কোভিদ-১৯দগী মণিপুর কলহৌসি। অহোংবা পোলিটিক্সকী থৌওং তৌহন্নিংদে।

লৈঙাক্কী মথৌদি মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক্লবা হোৎনবা হায়বসিনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অমদি মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিনা চঙশিল্লিবনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং য়ামখৎলকপগা লোয়ননা ফ্রন্ট লাইনদা মথৌ তৌরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ডোক্তর ২ অমদি নর্স ১ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরিবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্লা কোভিদ-১৯ থেংনমিন্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। ইমা কৈথেল অহুমসু ফমখিদবা থা ৩ হেঞ্জিল্লক্লে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী চার্টর এনিভর্সরি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি সঙাইপ্রৌদা লৈবা লাইওন্স সর্ভিস সেন্টরদা ৫৩রকশুবা চার্টর এনিভর্সরিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লাইওন এম মানসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা পাষ্ট দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি এম জে এফ লাইওন ঐচ মনিকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট, লাইওন দল্লিয় সুমিত্রানা থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ গেষ্টনা হায়খি, লাইওন্স ক্লব ওফ মণিপুরনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। ক্লব অসিগী পাষ্ট মেম্বরশিংনা তৌরম্বা থবক কয়া অদু নীংশিংলি। হৌজিক লৈরিবা মেম্বরশিংনসু অফবা থবকশিং মখা তানা চথবীয়ু। ক্লব অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। বোর্দ ওফ দিরেক্টর ফোর দি ইয়র ২০২০-২১, লেদ বাই লাইওন ব্রোজেন্দ্র, প্রসিদেন্ট লাইওন এল স্বামিকান্তসু পি এম জে এফ লাইওন ডা. দল্লিয় গোপিমোহোন, ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর-২ দিজিগনেটেদ দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিনা ইনষ্টোল তৌখি হায়রি।

ৱাটর রিজার্ভর কদায় চৎখ্রে : য়ু দি ও

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) :

বেঙ্গুন সলামট বজার মনাক্তা লৈরম্বা ৱাটর রিজার্ভর কদায় চৎখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (য়ু দি ও)গী প্রসিদেন্ট জাকিরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ু দি ওগী থৌমীশিংনা মফম অদুদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। হান্না লৈরম্বা ৱাটর রিজার্ভর আর ও প্লান্টকী পোৎচৈ অমত্তা লৈরম্বা থেংনদে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন থমখিবনা থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ৱাটর রিজার্ভর অসি থবক তৌরম্লবদি ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরম্লোই। ৱাটর রিজার্ভর অমা হিংলবদি মফম অসিনা কোল্লিবা মীশিং ঈশিংগী অৱাবা লৈরোই। অফবা ঈশিং থকপা ফংগনি খল্লগা লম অসি কথোকখিবনি হায়না লমগী মপুনা য়াম্না নুংঙাইতনা য়ু দি ওগী থৌমীশিংদা পাউদম্লকখি। হায়রিবা লম অসি মীয়ামগী খল্লগা কথোকখিবনি। লম মপুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিসু কান্নবা পীদনা চহী ৩০ হেন্না মাঙহল্লগা থল্লি। মীয়ামদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এসেমব্লীদা পাঙ্গল চাংয়েং তৌবনা মীয়ামগী চিংনবা কোকহনগনি : সী পি আই

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) :

এসেমব্লীদা পাঙ্গল চাংয়েং তৌবনা মীয়ামগী চিংনবা কোকহনগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সী পি আইগী মীহুৎ অমত্তা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীদা য়াওদ্রবসু সেক্যুলরিজম অমদি দিমোক্রেসিগী মতিক-ময়াই লৈহন্নবা ৱাখল্লোন মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিং খুৎশম্নদুনা ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা থেংনদুনা লাক্লি। মীখলদা মসল পাৱর অমদি মনি পাৱর শীজিন্নবা থিংনবা কেম্প্যেন চঙশিন্দুনা লাকখি। কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইরবা ষ্টেট অমা ওইরম্বদগী জুন ১৭ ফাওবদা পোজিটিভ ওইবা মশিং ৬০০ হেল্লকখি। লৈঙাক অসিদগী এম এল এ ৩ রিজাইন তৌরগা কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে। এন পি পিগী মিনিষ্টর ৪, তৃণমুল কোংগ্রেসকী এম এল এ ১ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১ লৈঙাক শৌগৎপা তোকখ্রে। মাইনোরিটি তারবা লৈঙাক অসি মীয়াম্না থাজরি নৎত্রগা থাজদ্রে হায়বা খঙনবা অখন্নবা এসেমব্লী মীফম অমা কৌনবা পাউতাক পীদ্রি।

দিমোক্রেসিদা অচেৎপা থাজবা থম্বা লুচিংবা অমা ওইরবদি মশানা খঙনা এসেমব্লী ফ্লোরদা ভোট ওফ কনফিদেন্স নৎত্রগা ভোট ওফ নো কনফিদেন্স থেংনফম থোকপনি। রাজ্য সভা মীখলদা বি জে পি মীরেপনা মায় পাকপা মরম্না লৈঙাকসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্মী হায়বা অসিদি য়ুম্ফম য়াওদবনি। ষ্টেট কয়াদা পাঙথোকপা রাজ্য সভা মীখলদা ক্রোস ভোটিং তৌবগী থৌদোক অদুম্মক থেংনরি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা অৱুবা মায়োক্ল বগী য়ুম্ফমদা এসেমব্লীদা পাঙ্গল চাংয়েং উৎনবা খোঙথাং লৌখৎতবনি হায়রগদি মধ্য প্রদেশতা ফ্লোর টেষ্ট করম্না তৌহনখিবনো হায়বা ৱাহং থোরক্কনি হায়নসু মখা তারি।



অসিজোলনেং

স্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম



হো ঐ হৈনৌ মনুংদা লৈরে, ঐবু কনবীয়ো।
ইস ! ঐনা খল্লম্বা চুম্লেদনা।
হে ! হিংচাবী নঙ ঙসি য়াম্বুৎলগে।